# পি ভি সিন্ধু সিঙ্গাপোর ওপনগী ফাইনেল চঙখ্রে

সিঙ্গাপোর, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন শট্টলর পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল মেটচ অমদা জপানগী লাৱর রেঙ্কতা লৈরিবী সেনা কৱাকমিবু মায়থীবা পীদুনা সিঙ্গাপোর ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ওলিম্পিক মেদল অনীরক লৌখ্রবী পি ভি সিন্ধুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৩৮ কৱাকমিবু মিনট ৩২ চুপ্পা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা ২১-১৫, ২১-৭তা মায়থীবা পীখি। সিন্ধুনা কৱাকমিবু ২০১৮দা পাঙথোকখিবা চাইনা ওপনদসু মায়থীবা পীরমখিবনি। কৱাকমি সিঙ্গাপোর ওপন অসিগী সেকেন্দ রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী তোপ সিদেদ টাই জু য়িংগী ৱর্ক ওভর ফংখিবনি। জপানিস শান্নরোয় অসিনা মমাং চহীদা ইভেন্ট ৩ খক শরুক য়াখিবনি অদুবু ২০২২গী ওইনা টুর্নামেন্ট অসি মহাক্কী ৫শুবনি।

হায়দরবাদতগী চহী ২৭ শুরবী সিন্ধুনা চহী অসিদা সুপর ৩০০ টাইটল অনী- সহিদ মোদি ইন্টরনেসনল অমদি স্বিস ওপন লৌবা ঙমখি। মহাক্না ২০২২ সিজন অসিগী সুপর ৫০০ টাইটলগীদমক মেটচ অমা কাবা মথৌ তারি।

থর্দ সিদেদ সিন্ধুনা চাইনাগী চহী ২২ খক্তা ঙাইরিবী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদলিষ্ট অমদি চহী অসিগী বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা উবর কপকী সিলভর মেদল লৌখিবা টিমদা শরুক য়াখিবী ৱাং ঝি য়িগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। ৱাংনা জপানগী ওহোরি অয়াবু ২১-১৪, ২১-১৪দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

পনবা য়াবদি, সিন্ধুনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপতা ৱর্ল্ড নম্বর ১১ ৱাংবু মখোয় অনীগী অহানবা থেংনবদা মায়থীবা পীখিবনি। ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবী অমদি য়ুঠ ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেদলিষ্ট ৱাংনা জুন থাদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর ১০০০দা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।



# এম এন সী এ এলিট : প্রিয়োজিৎ কাঙবমগী সেঞ্চুরিগী মতেংনা ট্রাও ক্লাকৈথেল চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দল্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ট্রাও ক্লাকৈথেলনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওবু রন ১৩৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকখিবা ট্রাও পূন্না মেটচ ৫ শান্নবদা ৫মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১০ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি। ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা মেটচ ৪ শান্নখিবদা ৪মক মায়থীদুনা টেবলগী ইরোই লোইবা মফমদা লৈরি।

টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ট্রাওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৭০ লৌবা ঙমখি।

প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা আউট ওইদনা বোল ১০৭তা থুনা য়াঙনা রন ১৫৬ লৌবা ঙমখি। বেহুল মোইবুংখোংবমনা বোল ৫০দা রন ৩১ অদুগা অনন্দ নাওরেম্না বোল ১৮দা চপমান্নবা রন ১৮ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা ক্ষেত্রিগাওগী বোলর এম দি ইস্লাউদ্দিন অমদি টাসিফ অলমনা ওভর ৮/৮ লংবদা ৱিকেট ২/২ অদুগা এম কে টামিম, প্রভেশ অমদি খুশ্রু প্রভেজনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ফোর্সকী বেটসমেনশিংবু ট্রাওগী বোলরনা ওভর ৩০.২দা ৱিকেট লোইনা লৌদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১৩৩ লৌদুনা ট্রাওগী মখূৎতা রন ১৩৭তা মায়থীবা নংখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী ট্রাওগী বোলিংদা অনন্দ নাওরেমনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৩ অদুগা প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা ওভর ৪.২ অমদি অমৃতাকারন য়ুম্নামনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী ক্ষেত্রিগাওগী বেটিংদা মোহমদ ইস্লাউদ্দিননা বোল ৬৩দা রন ৬২, খুশ্রু প্রভেজনা বোল ২৩দা রন ২৬ অমদি অর্শদ অলি শাহনা বোল ৪২দা রন ২২ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা ট্রাওগী ওল রাউন্দর প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা আউট ওইদনা বোল ১০৭তা রন ১৫৭ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৪.২ লংবদা ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।




# ষ্টেট জিট কুনে-দো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস):
থাইলেন্দগী পট্টায়া সিটিদা লৈবা পট্টায়া স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৮দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী শান্নরোয় ১১ অমদি ওফিসল অমা ঙসি থাইলেন্দগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ওফিসল অদুদি ডা. এম ইবোমচানা ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইনা শরুক য়ারি। শান্নরোয়শিং অদুনা নুপামচাগী কাঙলূপ্তা বুবুসনা এন (চহী ১২ মখাগী লাইট কন্টেক্টকী কেজি ২২ মখা), টি ঐচ বোরিশ মৈতৈ অমদি অশ্বিনি খাঙেন্বম (চহী ১৭ মখাগী লাইট কন্টেক্ট কেজি ৪৬ অমদি ৪৯ মখা), লনচেনবা এন অমদি এন নিংথৌহনবা (চহী ১৪ মখাগী লাইট কন্টেক্ট কেজি ৫১ মখা অমদি মথক), সী ঐচ কুঞ্জবিহারি (চহী ১৯ মখাগী লাইট কন্টেক্ট অমদি হেন্দ ফোর্মগী কেজি ৬০ মখা), সামোম কেনেদি অমদি সী ঐচ নিংথেম (চহী ১৯ মথক্কী লাইট কন্টেক্ট কেজি ৫৫ অমদি ৫০ মখা), সী ঐচ জয়চন্দ্র (চহী ১৯ মখাগী ফুল কন্টেক্ট কেজি ৬০ মখা)নি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা অনুশ্রী রাজকুমারী (চহী ১৭ মখা লাইট কন্টেক্ট কেজি ৪৬ মখা) অমদি মোইরাংথেম লিন্থোই চনু (চহী ১৯ মখাগী লাইট কন্টেক্ট, হেন্দ ফোর্ম অমদি ৱেপনগী কেজি ৫০ মখা)নি।

নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মেঘলয়ানা মিজোরাম থোইখ্রে, অসাম অমদি সিক্কিম দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা অনন্তপুরা স্পোর্টস ইভেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ রাজস্থানগী স্পোন্সরশিপ মখাদা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঘলয়া লিওপার্দসনা মিজোরাম ব্লেক বিয়র্সপু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মিজোরামগী জেনুন্তলুৱাঙিনা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। নিসিলিয়া মাজেনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

মখা তাবা টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখিবা অদু সুনালিন্দানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা মেঘলয়াগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি জয়সিং মোন্সাংনা শান্নরোয় ৪- মিজোরামগী বেটসেবা অমদি সুনালিন্দা শান্নবগী ১৭ অমদি ৫৩ শুবা মিনটতা অদুগা মিজোরামগী লালরোইজেলি অমদি লালথাংসাংঙি শান্নবগী ১৫ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অসাম রাইনোস অমদি সিক্কিম পেন্দাস ১-১দা দ্রো ওইখি।

সিক্কিমগী গোল অদুনা নাওচানা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি অদুগা অসামগী গোল অদুনা সোনিয়া মরকনা শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি ঐচ পর্শুরামনা সিক্কিমগী স্রিয়া থাপাবু শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

অহানবা এম এন সী এ য়ু-১৪ বোইজ টুর্নামেন্ট

# ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল, ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পি সী সী গ্রাউন্দ ক্লাকৈথেল ময়াই কোইবীদা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ অন্দর-১৪ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমদি ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায় পাকখ্রে।






ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা এ কে এস দি ও খাঙবোকপু রন ৯৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৪.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৫৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা খাঙবোক্কী বেটসমেনশিংনা ওভর ১৬তা ওল আউট ওইদুনা শুপ্নগী রন ৬১ লৌদুনা লংথবাল টিমগী মখূৎতা রন ৯৬তা মায়থীবা নংখি।

মেটচ অদুদা লংথবালগী য়ুম্নাম অচৌবনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৬৫দা রন ৪৩, য়ুম্নাম অথৌবনা বোল ২০দা রন ১৭ অমদি সোরোখাইবম থৌঙম্বনা বোল ২৫দা রন ১৫ লৌদুনা বেটিংগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীবা ঙমখি। অদুগা খাঙবোক্কী বিদ্যানন্দ নিংথৌজম, দিনেশ সাইখোম অমদি ৱাই দল্লিয়ু সীগী য়ুম্নাম অথৌবনা ৱিকেট ৪/৪ লৌরগা বোলিংগী বেষ্ট পর্ফোর্মেন্সশিং পীবা ঙমখি। লোইশিল্লকপদা ৱাই দল্লিয়ু সীগী য়ুম্নাম অথৌবনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈনা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্লুং মখোঙবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে। ৱাই পি ঐচ য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২১.৫দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ৯৬ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ঈ এস য়ুনা ওভর ১৪.৩দা ৱিকেট ৪ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ললাম্লুং টিমবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈগী ওল রাউন্দর হঞ্জবম নাওবনা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৪.৫ লংবদা ৱিকেট ৫ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৯দা রন ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্স

# লোং-জম্পর মুরালি স্রীশঙ্কর, ষ্টিপলচেজর অভিনাশ সেবল ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইখ্রে




য়ুজিন, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
মুরালি স্রীশঙ্করনা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্সকী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপা লোং-জম্পর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা মিটর ৩০০০গী ষ্টিপলচেজর অভিনাশ সেবলসু ঙসি কম্পিটিসনগী অহানবা নুমিৎতা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবা স্রীশঙ্করনা মহাক্কী অনীশুবা এটেম্পটতা মিটর ৮ চোংদুনা গ্রুপ বি ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী অনীশুবা পোজিসন অমদি ওভরওলগী ৭শুবা পোজিসনদা লৈদুনা ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

অঞ্জু বোবি জিওর্জনা পেরিসতা পাঙথোকখিবা ২০০৩ এদিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্সকী লোং-জম্প ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অমদি অহানবা ইন্দিয়াগী মেদল ফংবা ঙম্বী শান্নরোয় ওইখি।

অমরোমদা, মশাগী চহী ২৭ শুরবা সেবলনা ইথোপিয়াগী হেলিমারিয়ম অমারে (৮:১৮.৩৪) অমদি য়ু এস এগী ইভান জেগর (৮:১৮.৪৪)দগী লমজেলগী ময়াই ওইরপ ফাওবা মাংজিল থারম্বদগী ৮:১৮.৭৫দা লমথুংফম য়ৌদুনা ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

# রোবর্ট লিৱান্দোস্কি বর্সেলোনাদা য়াওনবা শেম শাখ্রে

স্পেন, জুলাই ১৬ (এজেন্সী):
পোলেন্দগী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা লালিগা টিম ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিককা ট্রান্সফরগী মতাংদা ভর্বেলি য়ানরবা মতুং বর্সেলোনাদা জোইন তৌনবা শেম শাখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা রোবর্টকী বেয়র্নগী কন্ট্রেক্ট অসি থা ১২ ৱাংলি অমদি তোঙান-তোঙানবা মীদিয়া রিপোর্টকী মতুংইন্না স্পেনিশ চেম্পিয়ন ২৬লক ওইবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনাদা চহী ৩গী দিলগী খূৎয়েক পীনরবা য়াই হায়রি।

বেয়র্নগী প্রসিদেন্ট হরবর্ট হেনরনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোক্লদুনা ঐখোয়না বর্সেলোনাগা ভর্বেল এগ্রীমেন্ট অমা য়ানবা পুরক্কবা চঙশিল্লি হায়খি।

স্পেনিশ মীদিয়া রিপোর্টকী মতুংইন্না ষ্ট্রাইকর অসিগীদমক বর্সেলোনানা ৪৫ মিলিয়ন য়ুরোসকী মথক্তা এদ-ওন্সকী মিলিয়ন ৫ অমগসু পীরবা য়াই হায়না পল্লি।

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE 2022-23
XI(Sc) & XII(Sc) (CBSE & COHSEM)
SUBJECT:- PHY, CHEM, BIO, MATHS, ENG, MAN, H. SC., C.SC.
Form Issue : 15/07/2022
Class Timing : 4:15pm to 7:30 pm
Class Commencement : 01/08/2022
AVAILABLE HOSTEL SEATS FOR BOYS AND GIRLS OF SCHOOL GOERS
FOR DETAILS :- Plz. Contact, Coordinator APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office. (7:00 am - 4:00 pm)
Contact No. - 8258013846
HL-B/7738/13

# ষ্টেট পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পেনকাক সিলাট এসোসিএসননা শীন্দুনা ৫শুবা ষ্টেট লেভেল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ থা অসিগী ২১দগী ২৩ ফাওবা সেক্তা ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৫ অমদি মণিপুর পুলিস টিম য়াওনা পূন্না য়ুনিট ৬কী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট, য়ুনিটশিংগী টিম ওফিসল অমদি শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২০দা সেক্তা ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎনা খঙহল্লক্লি।


HHG Academy
Excelling human Development
A CO-ED Hr. sec. school Affiliated to COHSEM No. 1/96/96
ADMISSION OPEN
FOR
Class XI Science 2022-23
Facilities:
1. 80% and Above- School sponsorship & Scholarship.
2. 70%-below 80% will get a concession of Rs.12,000/- (limited)
3. 60%- below 70% will get a concession of Rs. 6500/-
4. Students of single parents and marginalized family will get a concession of Rs.12000/-(limited)
5. 2 Years integrated course for NEET, JEE and NDA.
6. Separate Hostel for Boys and Girls.
7. School bus Service.

School Performance Record

| Pass Percentage | Year |
|---|---|
| 100% | 2017 |
| 100% | 2018 |
| 100% | 2019 |
| 100% | 2020 |
| 100% | 2021 |
| 100% | 2022 |

✓ For Admission details contact: Office of the HHG Academy, Ghari Mamang Leikai near Emoinu Oil pump, Imphal-01
Phone: 8974783327/9383359473/6909613792 or log on website www.hhgacademy.in
HL-P/3291/11,12,13,14

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 516

**T Lewandrowski (1908) - Maciej Kaminski (1941)**
**257th YMCA Spring A 2022 Warsaw POL (10), 2022.05.13**

1.d4 g6 2.Nc3 Bg7 3.e4 c6 4.Bf4 d5
5.exd5 cxd5 6.Nb5 Na6 7.Qe2 Qb6 8.Nf3 Bg4
9.O-O-O Nf6 10.Re1 O-O 11.h3 Bxf3 12.gxf3 Nh5
13.Be5 f6 14.Bh2 e5 15.Qd2 Rad8 16.dxe5 fxe5
17.Bxe5 Rxf3 18.Bxg7 Nxg7 19.Nd4 Rf7 20.Bg2 Nb4
21.Re3 Nc6 22.Nb3 d4 23.Rd3 Nf5 24.Be4 a5
25.Bxc6 bxc6 26.Qxa5 Qxa5 27.Nxa5 c5 28.Nc4 Ne7
29.c3 Rxf2 30.cxd4 Nc6 31.Rhd1 Nxd4 32.Kb1 Re8
33.a4 Rb8 34.a5 Rb4 35.Rc3...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 515 Ans. :**
27. Qg8+ The white queen decoys Black's king. Kxg8 28. Rxg7+ The white rook captures Black's bishop, which was defending the square h8. Kh8 29. Rxh7+ Double check Kg8 30. Rh8# Opera mate
1-0

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST
Ref :- Mutation Case No. 409/SDC/SWG of 2022
Parties :-
1. Thangjam Inao Singh S/o Th. Mangi Singh of Tellou.
2. Thangjam Inaocha Meitei S/o Mangi Meitei of Tellou Mamang Leikai. -Petitioners
-Vs-
Late Pattadar : Thangjam Anoubi Singh S/o (L) Th. Tomba Singh of Tellou. -Opposite Parties
NOTICE
Sawombung, the 13th July, 2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 76-Tellou পাট্টা ন: 279 (অরিবা) 196 (অনৌবা) দাগ ন: 172 মোট এরিয়া 0.82 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার Thangjam Anoubi Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East
HL-P/3449/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI
Mutation Case No. 352/SDC/IW(N)Sekmai of 2022
Tongbram Kunjarani Devi D/o T. Gopichand Singh W/o Late Chongtham Captain Singh of Khonghampat Awang Leikai, Imphal West District. -Petitoner
-Vs-
Late Chongtham Captain S/o Late Chongtham Muhindro Singh of Khonghampat Awang Leikai, Imphal West District. -Pattadar
NOTICE
15/07/2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 23-Khonghampat Under Patta No. 73 (old), 629 (New) Covered by C.S. Dag No. 1284/1454, 1285/1537 গী area .397, .06 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West North Sekmai
HL-P/3443/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI
Mutation Case No. 349/SDC/IW(N)Sekmai of 2022
Kalpana Rana W/o (Late) Sher Bahadur Alley of Pangei Nepali Basti -Petitoner
-Vs-
(Late) Sher Bahadur Alley S/o Nandalal of Kanglatongbi -Pattadar
NOTICE
15/07/2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 31-Kanglatongbi Under Patta No. 368 (old), 135/1570 (New) Covered by C.S. Dag No. 5014/5414 গী area .05 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West North Sekmai
HL-P/3443/17

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI
Mutation Case No. 350/SDC/IW(N)Sekmai of 2022
Sumit Alley S/o (Late) Amit Alley of Kanglatongbi Hathikhwa -Petitoner
-Vs-
(Late) Amit Alley S/o Nandalal of Kanglatongbi -Pattadar
NOTICE
15/07/2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 31-Kanglatongbi Under Patta No. 368 (old), 135/1569 (New) Covered by C.S. Dag No. 5014/5413 গী area .05 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজখ্রনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West North Sekmai
HL-P/3443/17

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com